সুবিধা

অকোংবা :—শ্রীনোংমাইথেম তোম্বী সিংহ এম, এ,
কৈশামপাৎ লৈমজম লৈকাই, ইম্ফাল।

মখুম :—চিত্রেশ্বর শর্ম্মা
শর্ম্মা আর্ট, ব্রাহেংবম লৈকাই, ইম্ফাল।

অনম্বা :—আইচ, ইবোবী সিংহ
সেভেন উনিয়ন প্রেস,
পাউনা রোড, ইম্ফাল।

অহানবা কোংবা—শোক ১৯৬৭
মশিং—৬০০

কংফম—ইম্ফালগী মরুওইবা লাইরিক য়োনফম (দুকানশিং)

মমল—'৭৫ পৈশা

শুক্লাৎনবী।

ঈপাক্কুগী তোর্বান্দ ফজবগী ঈথক ঈথৌ লাংন লেপলম্বী
নিংখিবী চেংলৌ উঙমখিদ্রে অমুক মিকুপ অহু লাক্লরোয়
নীঙমদবগী মৈচাকসে কুম্লাংশাংন ঙাইহনস্থু মুৎলরোয়।

শকহেনবী!

ফজবত্তনা মপুং ফারকপগী অহানবদা শকথেংনখিবী
ইন্দ্রি ঈরাং ঈহৌরক' থম্মোই লৈরাং শাৎলকখি মিকুপ্তুদা
রাখল মাংখ্রিঙৈ থম্মোইনা নিক্লিঙৈ হানখ্রে য়াচংবনা তিনখ্রে অমম্বদা।

কুচুঙৌবী।

রাহল্লহুবা পাঙ্গল হকচাং রাখল পূম্নমক শোল্লক্লবসিদা
নীংশিং মৈচাক্লক্ত নহাকথংগী অঙাওবগুম রাখল চোইরবদা
করিম্নুংগী রাজরিবা ঙম্নমক মংলান ওইহল্লবা মপোকসিমতদা
কৈদনো নংবু লাও থৌজাল হৈবী—
য়াইফ লাংওন অহু শেমখিসি।

১

ইঙা থাগী য়াহৌ থেংলবী পূর্ণিমা
বরিষাগী অকুংবা নোংহৌ কিবন্না
থেংলবা অহিংদ চরা হেল্লবা হারৌগী শৈহেক্কে
শাইজিন্দগী তারকপা ইচুমগী খোঞ্জেলগা
অমত্ত ওইনা ত্রিন্নগ্রবা ফাওবদা চিকপনা
লোৎলি তথক্লবী থব্রাম্মিচাকশিংগ লোয়ননা ॥

অহিংগী তাংলোনা ইচিক হুল্লবা ফাওবা
অয়ুকী মতমদা লোয়গ্রবী থম্বালশিংগী
নিংব কায়খ্রব নিঙ্খাইরবা লৈনম্ন
অমনবা নায়ক নায়িকাগী হকচাংদ
হুম্নরি নাওশুমগুম্ন ইংলবা মলায়ানা
পীররি তেকগ্রবা আশাগী শদোন্দা আশা ॥

তুংশিদকো তাইবং মাংলমচং,—তুংগী ব্রারী
যোগ-সন্ন্যাসকী থম্মোইদগী শাম্বোরকপা
অমরুপা য়াওদ্রবা লংলবা মণ্ডালগুম
ফাওহনবীরো, হে, অঙাক্ল পাম্বোক্লবী,
উহনবীরো সংবানরবা অতিয়াদা নহাক্ল
শীন্নাইদ্রবা থব্রাম্মিচাকশিংগ শান্নমিন্নবা ॥

পূর্ণিমা

*****

লাংতক্করবা খৌরাংলবা মিংসিদা উহল্লো
শম্লাং ফবী কুচু ঙৌবী—নিংথিজবী
ইনথংলক্লিবী চহি অমানিশানগী মৌ মহাক্লা
ঙৌরবী নোংজু থাগী ভুবেনগুম ঐ থাংলবী
নিংথিরবী পামোয়া অঙাংব মচা শকগুম
নিংথিবা নংগী শক্লোন উহল্লো মিংসিদা ॥

অকুংবা নোংলক্ত চংথিত্তুনা উথিত্রেদো ঙসিদি
নিংথিরবা নংগী রাসমণ্ডল—
সপ্ত ঋষিগী অঙকপা ফংলবা ময়াম
খোমজোমনুবীগী অচিকপা য়ারী
লাইরৈবাক্কী ঈমাই মামরবা নিংথৌ ভুরেল
তোর্ব্বান্দ থবাম্বিচাকশিংগী জলকেলি ॥

হৌখিবৈগী মতমদা অঙাওবা রাখল' তাওহুনা
চোকথবা লৈরোয় খন, শামথি মুংশি লীলা
পানম [illegible] তারকপা ইন্দ্রি' ময়াই চাইরকপা
মাংগ্রবদা নিংশিংলক্লে থম্মোই মিহল চোংলক্লে
লেম্ম কেনথরে ইন্দ্রয়লসে, ফংলরোইদ্রে কথিংলক্লে
হল্লকথোবা হংথিবী থবাংগী থবাই ওইরিবা ॥

পূর্ণিমা

*****

ইমুংগী পুক্নোইনা লাক্লকপা কাল
লৈজিক থাবা অমিনা থাজ মংদু তাক্লবদি
কংশিংবনা ইথৌ লাংলবা থমোইদা
থাশিরমদাইদা কংজুমজা মতোকই
মংগী নিংথিবা কুমৈ হয়াওনা
মাংদ তম উনা চংশি —আশাওবা ॥

কৈথেল তিনথংজকপদা, কুতমেলোঁওব
লাংমনথিবনা মিল থোংলবদা
থোইদোক হৈনজত্রবা এম তরাকা
অচিকপা অরাং মোংপোকী চিদাইনা
তুম্মিন অঙাওবগুম মতোমতা চৎথিহনা
মংগী লোইমাইত্রবা রাথন্দ ভগন্তা তৌথিবা ॥

কনক চাওবা লৈচিল মোংকাই থরবা
নংগী প্রকৃতিবু মাংহনগে মৌরাংনি
ওইথোক্তনা রাজি নংতবু পামজবা
মীওইবগী মিংত অমুবা মাইথংগী কিমাংগুম
লাংজমহনবতানি ইথৌ লাহনবতানি
হে নিংথিবা। কদাইদা লোংনি তাংলৌ রাইরবদা ॥

পূর্ণিমা
*****

মপুংমরৈ ফাররী মুজা অমগুম য়াচংবদা
চংখিন্নদাই লুবাক্লুংগী নিংথিবা ফিজেৎ লৈতেংহনা
চেংলৌ হেন্সবী শানৌ অমগুম কুচু ঙাংলৈনবী
উখিনে মিৎসিদা কোইককবী শমাংগী মরক্তা।
ফজবগী ঈপোমলক্ত থাখলবু ঈথক হৌহনখি
দৃশ্য অতু তামখরে থম্মোইদগী মমি শামখিদৌরে॥

মংলানসিদা উরি —নীংদ ; ফজবী ইনথৎলকপীশিংন
থবাক্কী অরুম্বশিংবু যৌবনগী পাঙ্গলবা ময়াইতনা
লাইনা পুওমহনা লম্বীথক্ত ঈরাং থাংন চৎলিবা।
মমা শক্তি লাক্লে, লুরক্লবা পুংজাসিদা উহল্লো—
থৌজাল ইকাই হঙ্গোইবা ভক্তিগী মণ্ডান্দু
কুইখিদ্রিকো মতমদু অম্তুক থুনা চেনখিগনু হন্দোক্লুনা॥

লুহোংলবা মতুংদ চাকৌবা মুমিৎ য়োরক্লবা
অনৌবা ফজবা অমম্ভু হাপকৎলবী মুজাশিং—
ফজৈদ; শানৌশিংগী শাইনোম্নক্ত লোৎলুবা থজাই
মুংশি হৈরাং চারুবনা হুকচাং মওং কায়রকঙৈ
লুরুক্লবা মশাজং' লালুববু থুমজিন্নবা লাক্লঙৈ
ফজবী মুজানা ইকাই মাইথোং লাংবদি মগুম্ভ হাপ্পনি॥

পূর্ণিমা

*****

কাওঙমদ্রি অমুবা শম্নাংলক্তগী মুনা য়েংলকখিবহ্ন
মুখৎপা ঙমদ্রি তথক্লহনবী মিৎয়েংশিং অসিনস্মু।
উরুবা দৃশ্যশিং অসিনা খৌরাংবতবু ওইহল্লি
মতমপাক্ত হিপ্লফাও থম্মোই-হকচাং তিম্নদ্রে
কর্নিংলিনে নংতবু তহা তহা চেনজবী
চোকথ মৈশা লাংবনা অথেংবদা তুমিন লৈদ্রা॥

উবা ফংদ্রে নোংম চিক্লবা মকম অমদা
মশাদা ফিজেৎ লৈতেং য়াওদ্রবা নিংথিরবী মুজা'মগুম
শুপ্নগী মিকুপ অমতং মনিংমখা তম্বগী শাথেক্লবা।
খরামস্মু উদ্রে ফিজেৎপু চাংদম্নবা মকমশিংদ, মিৎথক্লহনবী
আহ্ন কয়া হৌখরে মপুংমরৈ ফারবী কয়াগা অদুবু
ফংঙমদ্রবা নংতবু থরি, তিম্নমিংবগী মৈচাক কোকঙমদ,।

নাক্ত লৈরি অপাস্ব ইন্দ্রি, মৈচাক মুথনবা লোয়নবী
লৈবাক লৈমগুম ময়োল চোংঙমনা য়াতারি।
'শাগী ঈরাং হৌরকপা অক-ফক্ত তুংগুইনবি
নন্নাখন্দ লানঙমখিদে নিঙঙমদ মৈয়াইরে হৌখিভৈ।
ওম্নরোইদ্রবে থাদোকপা,— শাবী লাও চৎলসি
কলকপা য়াম্মী কজ্রাওবা য়াম্মী মাংদ' থাদো' লাও'॥

লৈকোন্দ পূর্ণিমা মুচিংবী অহিং খুদিংদ
আশা চাওবী শানৌশিংন থাখিবা লৈরাং
পূর্ণিমাগী অহিংদত নিংথিজ্রে লৈকোন্নদি পিকপনা
উহল্লো মিংত অহিংগী ফজবা পূম্বদো
থরো থম্বাল শাংপা অচৌবা পাং
থল্লু থল্লুবা খুদিংগী চান্নরবা দৃশ্য— ॥

নিংবা কায়বশিংন য়েংলগা খাইনা মিংয়েংদ
লানফমগী অয়োয়বদা উবা য়ুম্ফমগুম্ব।
কুন্দো পরেংন নিংথাইহুনা তাবগুম
মুমিদাংবাইদা থম্বালগী পেরিবা শক্তমগুম্ব।
ইগুক গুকথবা অরাবনা থনবা চিন্তালিনিগুম
নীংশিং নীংশিংলগা কাইনা ইনোৎ ফাওহনবা॥

আশা চাওবশিংন য়েংলগা তোর্বান্দ লেপ্লুনা
মপান নাইত্রবা সমুদ্র মানবা।
চাংজো নাইত্রবা শংবানরবা ঈয়াইথক
তাওরিবা হিনাওগুম্ব মণিমুক্তাগী।
ফুরা দলানগী অরংবা মণ্ডান্দ মহি চেনহনবা
স্নাগী থম্বাল শাংপ কুম্বী কালেন নাইদবা॥

পূর্ণিমা

*****

জীবগী চান্নবী ! নকুম নথা ওইহনস্থ ঙসিদি পূর্ণিমানি
হাইদোক্তুনা মিত্ত লৈকোনগী ফজবা শক্তম উহল্লো
অনৌবা শদোন্দ পোমখৎলকপিশিংগী খোরাং
ইকাই খিগনবী পোমশাৎনবীশিং' মাইথোং
ময়াই কাখৎলকপা অঙাওবা খোইমুশিংন
লৈহি চুপকে হায়না উনারক্ত তান্নবা ॥

ইনথৎলকপী ঙাংন-শান য়াগন্দবী
হায়নি হায়রোই খংদবী শানৌশিংগী
শাওশিন্নবা মিৎয়েংদ খংহৌদনা নোক্লকপগুমই ।
আশানা মপুং ফাহল্লবা অহিংদস্থ করিগুম্ব
মিত্তগী পি শিম্থখি কপচেৎকনবী শানৌশিংগী
অহুবু মরম ইরৈ লৈতবদি নত্তেকো পূক্লিংদ ॥

খংহৌদনা মুংঙাইমল্লবস্থ ঙাওহুনা চৎলি
পোলোইদদি অন্না মুঙাই অমত্তনি ইতিন্নফম
অন্নাংব থাকী চীংদোন্দগী চেম্থরকপা পিরাংনি
থাইনগী অহল-লমনশিংন কপ্পরম্মী অখংবশিংন
মুঙাইরিঙে মতমদা কায়নবগী অন্নাববু নিংশিংলগা
শাবী ঈমান-মানজা পাম্মুবা ।—' শৈথানরম্মী ॥

পূর্ণিমা

*****

চিক্লবা অহিংসিদা থোয়রক্লে নিংথিজবী
অক্লা মুঙাই ৱাখল পূক্নগী কাওথোক্তুনা য়েংজগে
য়েংজগে, লৈপুং মতোম্নুলা ফম্লগা পাক্লবা অতিবংবু ।
পোক্লকপগী অক্লাবা হিংবগী ৱাক্নিবা শিথিগদবগী অক্লাবা
অক্লাবা পূম্বসে থম্মোইদগী মাংখিদবা থোয়রক্লেবা
থোয়রক্লো তমহনবী ! ময়রবা থম্মোইগীদু লৌশিল্লরাও ॥

শিদ্রিবৈগী মমাংসিদা ঐবু অমুক্তা উহনবীয়ু
পৃথিবীগী লৈরাই কয়াদা শন্নোক্লিবা ফজবশিং ;
লংলবা মহক্ক ফুরা মঙাক খুন্নোমলী নিংথিমা নতনা
উহনবীয়ু, অহিংসা থাবগা অতোবা তুরেন-পাক্লবা লম্নাং
হৌখ্রবা ইতিহাসকী মতমা কুমশিংগী লৈক্লিবা
ৱাখল্লা শাগৎচল্লে, মাংখ্রবা লৈত্যাওখ্রু কনকচৈ থম্মোইদা ॥

অরেম্বদা হিংলক্লগা অমরম্বলা শিজ্রসিংকো থাহুবনা
ফিরেপ চানা হিংতজরোহরম্ক থম তুলসী থামগী ৱাহম্লে
অমাংবা খুত্তম থম্মোইগী থবক তৌগদা শিংয়ুমনা
কাসহৌলক থক্লুবা ৱাখল অমা মানিখিলোমে অরেম্বদা
অমাং অমতাং কাজকনানা, ৱাখল পুক্নী ৱাক্লমদা
নংগী ইংল নতাপ্ন লোয়াজনবা, থোয়রক্লো নিংথিজবী ॥

পূর্ণিমা
*****

থাবলগী অহিংদ চিকপনা খোঞ্জেল মাংগ্রবদা
তাইবংগী চয়াংনবা মমিংনা পাংলম্বদগী উইশিনগ্রবদা
মহৌশাগী তম্পাক্ত খুৎশেমগী কোক্তোন্দ চাইথরকউ
অতেকপা ফুরা দলানশিংন ননশিনগ্রবা য়ুমফমদা
মুংশি ম্বারীশিংদ মিকপ থোকহনবিয়ু মিৎসি পিরাং লোয়ননা
য়াওজগে মুংশি লীলাদু থাপ্ল চেনখিদৌরে মতমসিদগী ॥

য়াকাইরো শেরাম্নবা ম্বাথম্ন তাইবং খোংচৎ কায়গ্রান
মহি চেন্দুনা শৌদোকহল্লো অনৌবা লাংওনমীদমক
পাক্লবা লৈপাক্ত ম্বাংলবা চীংজাও, শুক্লবা উমংশিংদা
লৈরোল চনগ্রবা মুংশিরবা ম্বারীশিংদু য়েংজরগে
ম্বাথল মমি শামলদুরে, মমগ্রনি তাইবং, ম্নমথুনি মতম
পীনরো;—মহৌশাগী ম্বাথল, মহৌশাগী মুংশিরা ॥ ১৩

ঙংনিংবগী ইথৌ লাংন ঙাইরিবসি কদৌঙৈ কোক্লগবা
অরেপ্পা শক্তম অমত্তংন নংবু উখিবা নত্তবনা
লেপ্প ঙমলক্তে ৱাখলসি, করম্ব শক্তমদা থোরকবা।
শক্তম অহু রুজবনি স্রুংশিবনি— য়েংচুনতা লৈজনিংবা
অকিবগী ৱাখলমত্তং লৈরম্নবা উনিং মৈচাকসি লৈরম্নোই
কায়নখিৎৈঙ করি ওইরমগবা, উহল্লো পূক্লিংগী শক্তম॥

অয়ুক্ত [illegible] শারেপ ফায়গা [illegible] [illegible]
পাজল [illegible] [illegible] লম্বী লফাং [illegible]
পূক্লিং লক্ষেনরকপা থলখি' ৱাখল [illegible]
কপ[illegible] তারম[illegible] অমেবা ম্রচু[illegible]রকপা
ও! [illegible] অতম [illegible]সিদা হৌখ্রেদো, হৌখ্রেদো
লাক্লোবা থানিল! তুংগী মীরোলগী, লাংতক্করে থোরক্লো॥

অন্নাংব থাক্ত কাগে খল্লিবা আশা চাওবশিংন
উবা ফংদে তুংগী ফিরেপ অহু লেংফত্রবা।
খাংঙমত্রবা অহিং অশা পায়ন পায়না চৎখি লেপ্তুনা
থম্মোইগী মিৎন উরিবশিংন হেল্লা অশেংবনি খনবনা
খুদি খিববু ওন্ন-তৈনবা চৈথেংনি থংদবনা
ঙংনিংব নংবু থম্মোইদা পুরিবনি হায়বা কাওজ্মী॥

পূর্ণিমা
*****

শক্লাইদবা নংবু উত্রবদা মতমদু কুইগ্ন গুম নিংলে
মিৎমাংদ লেপ্তুবদা থম্মোইদা শাগৎপ শক্তম লিশীং থোক্লে
নিংথিবা নংবু কাওথোকখিদ্রনা খল্লিবসি ওইরগুম নিংলে।
থোরক্লো মঙ্গুং মপান অনিদা লেংদবা মঙাল পীরক্লো
শথংদবনা অচুম-অরান মঙ্গুং মপানগী ব্লারবা ব্লাথনসি
অল্লা মুঙাই পূক্লিংগী শাইদাংফম ওইরিবা। কোকহল্লুবা মং'সি॥

তম্পাক্ত মচা পমলিবশিং উঙমদ্রে থম্মোইগী মণি
নংগী থৌজাল ঙাইরি মিৎ পেন্ন য়েংজনবা।
ইন্দ্রিগী অরাম চৈথেং ফংলবা ভিক্ষারিশিং
অহাংবা ঝুলিদা খুৎ-হুমলি নংবু ঙাইদ্রনা
পূক্লিং পূক্লিংদ লেংদনা লৈরিবা থুপ্লবা মূর্ত্তি
থোরক্লো অশেংবা মশক য়েংহল্লো মিৎসিদা॥

বসন্তবু শল্লাং খোমগৎনহনবী শজিবুগী মালংব
মক্ক হুনঙম' মতমদা উন্নখি মালেম ফিজেৎ হোংনবা
ঋতুগী শাইওনগুম ওল্লিবা তাইবং থল্লাই শিন্নখি
মমা ওইবগী মিকুপ য়োরক্লবী চহিনা মৌ নহাগুল্লিবী
অচৎ চত্ত জীবগী থল্লাই পুরিবী হে ইঙা থাজ নঙোন্দ
পলেমগী গর্ভমুংদ জীব, জীবগী মমুংদা থল্লাইগুম লোৎলিবোই॥

পূর্ণিমা

*****

তাংলৌনা ইচিক হুল্লকপা, লাংথৈ্র মকা লাম্লকপা
মোংগ্রোংলক্ত মুষ্টু ল্মবা চরাম্লনা য়াহৌরক্লে;
ফাগুম লাকগুমদবনা ব্লাখল লফৈনরকপা
অমম্ব মিংনা উগুমদা, শেরাম্লনা কেমগ্রনি
ঘনজেম্লহাগুম ঙাকহৈবা পূক্লিং অসি শেল্লোলাও
নঙাল অহু পিররো মতম অসি থেংখরে ॥

ফংনিং ইখৌ লাংবনা অফ' ব্লাখল মাংখিদৌরে
মহৌশা নিয়ম কায়দ' তিম্লবগীপুংজাহু লানখিদৌরে।
মম্লবা মিংন উগুমদা ফত্ত মল্ল হুনগ্রনি ব্লারক্লে
নঙাল অহু পীররো লিক্লাইগুম মহি হেল্লবী।
চোকথবনা শিরমদাইগুমলে থংদ্রবা থব্লাইসিবু ব্লায়েল্লু
চাগোকসি ওইগ্রগা নিগুমদবনা মৈরি ব্লাংন চাক্লনি ॥

লাইনিং লম্বী কয়া নংগী শক্লোন লৌরকই তাইবংদ
নংবু ফংবগী মুঙাইবা মহে তাকই লম্বী কয়া—
অমম্ব তাইবংদ লমঙাওরবশিং চংশিল্লি মৈঙান্দুদা
মনাক মনাক নক্ল্ববশিং নেশা চাবগুম পংথখিবনা
তুমথখি্ল, শান্তি ফংলে থন, মশাগী অল্লাবা কাওড়ম্লা
হিংমিম্লবা কায়দনবা হিংবগী মুঙাইনবা শেম্ব নিয়মলক্ত

পূর্ণিমা

*****

[illegible]

*****

পূন্সি অসিনা ঙাইরি শুপ্নগী ফংনিংবতগী ন্নাথন্দ্
লেল্লি মতম থন্ন থন্ন ন্নাথন্দু পাংথোক্কে হায়্রিনা;
স্না লুপাগী তম্পাক্ত হিপ্ন অহূরনে হুঙাইবা
চহি থরগীদমক্ত করিগী কোনশিল্লিবা
হুংশিবীবু পাম্বোম অনিনা চেৎন কোঙবা ফংব
অসিরনে হুংশিবা পূন্সি মরাই চাইথ-নবা ॥

থেংনগে থনখিবা থৌদোক অহাংবক্তদা পুনথুংল্লরে
য়েংলগা পোখাজগে থনখিবা দৃশ্য—ত্রামশ্বরে।
থাবলনা মহি চেল্লবা তাংল্লৌহূদা তোর্ব্বান্দ ফ্রম্মগ্না
অমুবা ঈথক মচাশিংগী ঈরাং অহু য়েংনিংল্লেদা
থম্মোইগী ঈহৌবু নঙ্গাৎপ ঙমদ্রহূনা অর্থগী মপান থোকল্লবা
মতৌ মান্দবী অমোনরী হুপীনা কামলী ইঙ্গিৎ ফোংদোরকপগম ॥

পাগী শারেপ তাল্লকপা লাংতক্লরবা মুর্ত্তিসিনা
ইনথৎলক্লবী পলেম শক্তম লৌরবী তাইবং চারা শন্দোকওন্বী
ঋতু অসিবু থৌরাংন ঙাই উন্নবা মহৌশা নিয়ম ঙাক্ত
চাইথরকই তুংদা নাওয়োক ফবী পৃথি লৈমাইথক্ত
ইঙা থাগী অমম্ব গর্ভন্নুংদ চংহূনা লোৎলিবোই
থোরক্লো জীবগী থল্লাইন্নুংদ থুম্নিবা থল্লাই ॥

পূর্ণিমা
*****

তাংলৌনা ইচিক হুল্লকপা, লাংথৈ মকা লাম্লকপা
মোংশোংলক্ত মুত্থ ল্লবা চরাম্লনা য়াহৌরক্লে;
ফাওম লাকওমদবনা ৱাখল লক্ষেনরকপা
অমম্ব মিৎনা উওমদা, শেরাম্লনা কেমগ্রনি
ঘনজেম্লহাগুম ওাকহৈবা পূক্লিং অসি শেল্লোলাও
নওাল অত্থ পিররো মতম অসি থেংখরে ॥

ফংনিং ইখৌ লাংবনা অফ' ৱাখল মাংখিদৌরে
মহৌশা নিয়ম কায়দ' তিম্লবগীপুংজাত্থ লানখিদৌরে।
মম্লবা মিৎন উওমদা ফত্ত মক্ল হুনগ্রনি ৱারক্লে
নওাল অত্থ পীররো লিক্লাইগুম মহি হেল্লবী।
চোকথবনা শিরমদাইগুমলে থংব্রবা থৱাইসিবু ৱায়েল্লু
চাগোকসি ওইগ্রগা নিওমদবনা মৈরি ৱাংন চাক্লনি ॥

লাইনিং লম্বী কয়া নংগী শক্লোন লৌরকই তাইবংদ
নংবু ফংবগী মুওাইবা মহে তাকই লম্বী কয়া—
অমম্ব তাইবংদ লমওাওরবশিং চংশিল্লি মৈওান্দুদা
মনাক মনাক নক্ল্বশিং নেশা চাবগুম পংথখিবনা
ত্থমথখি শাস্তি ফংলে থন, মশাগী অৱাবা কাওগ্না
হিংমিল্লবা কায়দনবা হিংবগী মুওাইনবা শেম্ব নিয়মলক্ত ॥

পূর্ণিমা

*****

[illegible]

*****

পূন্সি অসিনা ঙাইরি শুপ্পগী ফংনিংবতগী ৱাখল্
লেম্লি মতম থম্ন থম্ন ৱাখল্দু পাংথোক্কে হৈয়িনা;
মমা লুপাগী তম্পাক্ত হিপ্প অতুরনে মুঙাইবা
চহি থরগীদমক্ত করিগী কোনশিল্লিবা
মুংশিবীবু পাম্মোম অনিনা চেৎনা কোঞ্জবা ফংব
অসিরনে মুংশিবা পূন্সি মরাই চাইথ-নবা ॥

থেংনগে থনখিবা থৌদোক অহাংবত্তদা পুনথুংল্লরে
য়েংলগা পোথোক্লগে থনখিবা দৃশ্য—ত্রামস্করে।
থাবলনা মহি চেল্লবা তাংলৈহৌদা তোর্ব্বান্দ ফ্রম্নপা
অমুবা ঈথক মচাশিংগী ঈরাং অছু য়েংনিংল্লেদা
থম্মোইগী ঈহৌবু নল্লংপ ঙমজহুনা অর্থগী মপান থোক্লবা
মতৌ মান্দবী অমোনরী হুপীনা কামগী ইঙ্গিৎ ফোংদোকরক্লম ॥

পাগী শারেপ তাল্লকপা লাংতক্করবা মূর্ত্তিসিনা
ইনথৎলক্লবী পলেম শক্তম লৌরবী তাইবং চারা শন্দোকঙ্গী
ঋতু অসিবু থৌরাংন ঙাই উল্লনবা মহৌশা নিয়ম ঙাক্ল
চাইথরকই তুংদা নাওয়োক ফবী পৃথি লৈমাইথক্ত
ইঙা থাগী অমম্ব গর্ভনুংদ চংহুনা লোৎলিবোই
থোরক্লো জীবগী থল্লাইনুংদ থুপ্লিবা থল্লাই ॥

পূর্ণিমা
*****

তম্পাকথক্তী পারি মোয়ু নিঙাই চাওবা ফদি ফরারক্ত
অমুনবা হৈরাংগুম য়াত্যারি থাজ নংগুম্ন লৈচিল্লক্ত।
ও! ওম্বোক্ল চিক্লেদ অহিং অসে নিক নিক লাওরে
কপ্লব অঙাংন অল্লাংব কাংথোন্দগী তাতুনা ব্লাম্বখিগুম;
মতম কুইনা মপি মপা উরক্ত্রবা উ:চক মচাগী অরোয়' খোঞ্জেনগুম
মিকুপসি লালগা স্মাগী সংসার হৌজিক্ল নিঙ্খাইদোরবা তাইবং ॥

মপুক লুম্লবী মিং-মাই পাংলমদাইগী অব্লা চৈনা ফংলবী
হে ইঙা! নংগী থম্মোই শোক্লবা অকি খোল্লাও তাবদা
ব্লাহোংগী জগোই লোপ্লে মমিং মনা ইথক থকলে
ঙাম্নু কাঙঙ তুম্ব কায়ব্লে, য়েনবা লাবা য়াহৌরক্লে;
অব্লাবগী পন্দোম য়োৌশিল্লক সুঙাই পুংজ লাল্লমদাই
মিকুপ্‌গী ম্লুংদ থম্মোই ব্লাখল লেপখিগুম ব্লারেদা মতমসে ॥

লৈচিল্লক্ত পূর্ণিমা মথোং ফুন্ন শাৎকায়বদি
অমুবনা অঙৌবগী নাক্ত চংলুবগুম নিংথিজৈ।
মনিমুক্তাদি চপ মান্নে মফম্মা পুখিরোয়—
য়াইফ কোনগী স্নাগী ক্বাগোক মন্নুংদ,
লাইর খাংপোক শঙগী ফদি-ফরা মরক্তস্থ
লৈরম্ব মফম খুদিংদ থম্মোইবুতা হুরানগে হায়॥

অমম্ব ঈয়াইসে শংবানহল্লু স্নাগী থরো শাৎহল্লু
চাকনিবীগী ফিজেত্ত য়োম্লিবা মণিসি ঙালহল্লো
উপান ৱাপান অপূম্ব লিক্লাই' মপাল শাহল্লো
মথোক লোয়বা কেনহল্লো অমুনবা তাওজিংগুম লৈমাইদা
অৱাংবং চীংগী চীংলাইবক অঙৌবা ফিরাং কুপ্লক্লো
থাবলগী ঈপোম হোৌহল্লো ইচিক হুম্নবা তাইবংসি॥

উহনবীরো লাইরৈবাকী দরবার লোয়শঙ
মফমহুদা ফম্নাই ফিনাইবা থৱাম্পিচাকশিং
মথোং ফুন্ন তিনখৎনবা মাইগৈ মাইগৈ চোম্ন
মণিমুক্তাগী ফিজেৎশিং অমগ অমগা চাংদম্নবা।
মীরমলেন্দ মরোল মরি খংদবা মীওইবশিং
ভাবকী দলান শানরি অমম্ব গর্ভস্নুংদ লেপ্তুনা॥

পূর্ণিমা
*****

শজি লাবা অমোম্ন চীংমাইদা কনা উরোই থন
কেকু লোংপী শান্নরিবা হান্ন উঙম্ব নোকউ নংন।
নত্রগা নখোয় ময়ামগী হরাও মুঙাই ন্নারীদা
অমগ অমগা য়েংনন্থনা নোক্লজবন্থ উন্নগা
ওইরবোই নিংগনি 'ঐখোয়দ' লাল্লুরবা থম্মোইনিনা
মশাগী অরান ন্নাখল খংলবশিংন চংজবতনা উপাই ওই॥

লৈকোন্দ নায়ক নায়িকাগী নিংশাশ্বর পাশ্বৎপগা
ওইহল্লু তুংগী মীরোন্দ অফবা লমচৎনবা অশেংব মুংশিবগী।
থরো থারিকথা পুম্বনা লাংতক্লবগী পি শিম্মরিবা
শিম্বসম্ন পিরাংসি তাইবংদ হিঙম্নবগী লেংদ থুদমনি।
উনারক্ত থাবলে ওইনরুবদগী নিঙমদবা পোক্লক্লবী
কপ্পক্লে হৌজিক্তি নংবু উনিং মৈচাক্ল কপ্পিদো লোম্ন।

শেমগৎপনা মপুং ফাগৎলক্লবদা আক ন্নাখল লাকহ
পুন্সিগী অরোয়বা মতম্ন মিকুপ'মগী মন্নুংদা লোৎলি
অন্নাবগী অরোয়বা মুঙাইবগী অয়োবনা ন্নিংশিংই থন্নায়বু
পুন্সিগী লীলানা মরক্ত শান্নে আশাগী ঈপাকয়াইদা,
ইঙা থাগী মতুম তারবা মুরবা লৈচিন্ন থাবল মঙান্দ
অশংবা অতিয়াদা তাঙবদি য়েংবগী পেন্নাইদ্রগা আশানি॥

পূর্ণিমা

*****

থাজনা মপুং ফাগৎলক থাবলগী ঈপাকথক্ত,
থোইনা ফজবা হাপ্প মশা তাশিন্ন চেনবহ্ন উরগা
সমুদ্রদা তাওবা নায়ক নায়িকাতা তোংবা হিনাওগুমই।
থব্রাম্নিচাকশিংগী মরক্ত মঙ্গা লুম্ন চৎপা উরগা
বৌক্রুগী লবু বোনমুংদা শামু মচানা শান্নবহ্ন নিংশিংই
থব্রাই পুম্বনা মাগী চাওখৎলকপা মতম লাংতক্লনা ঙাই॥

ব্রারেদকো ফংলরোয়দ্র—থিরিবসিবু
থল্লিবসিতনা ফংবা শক্তুনা তোক্লদ্র,
তুমখুল তানবা খুদিংমক মংসিদা মংলদ্র
মিকপ থোকপা খুদিংস্থ নিংবা কায়নতা হল্লদ্র;
য়াওল য়াতা পুম্বদা চরাংনবতা ওইরদ্র
কয়াম কুইনা ঙাইখিনি তাংলৌ লৈনা হৌখিদৌরে॥

হরাওহল্লো ইনখৎলকপা থব্রাই খুদিংমক
লাইর অনং থাক্ত য়ুমথোং থুংন য়েল্লো,
অচৌ পিশক নাইদা থম্মোই খুদিং পেলহল্লো
মাংহল্লো অচুম্বগী নাপল অরানবগী লৌনম।
ফজবা নশকী মুংশিবদা চিংশিল্লো ব্রাথল
মুংশি ব্রাথলক্ত মাংহল্লো তাইবংগী ব্রাথল॥

পূর্ণিমা

*****

ফজবতবু পামলুরে অপাম্বদা মুংশিবা য়াওব্রবনা
হৌথিঙৈগী মুংশি শক্তম নিংশিং মৈচাক্লহল্লি
লেপ্লি অথাপ্পদা, ঈথক্ল তাম্লবা—কাওডমদবগী তোর্ব্বান্দ
য়াওব্রে শক্তমসিদা,—হকচাংগী ঈ, মুংশিবগী ঈচেল
য়াররোয় থাদোক্লবা পুন্সিল্লম্রে তংনদ্রবা মরিনা
তাইবংবু মুংশিজরুবনা তাইবংদা অস্থুম লৈবা তারবদা ॥

মংলান অতুদদি শাম্লরন্মী মুংশিননা নংগ ঐগা
মিং উইশিল্লমদাইদা পি শিন্থখি মুংশিজবতনা
মিকপ থোরকপদা লাংতক্লে ফংডমদবগী .
পোকপা শিবা হিংবা মিকুপ অমকাও থানদ্রিমক্তদা
কায়নবগী অব্লাবতা ওইহল্লে, নেশা ময়ামসিনা ঙাওল্লবদা
মংলান অতুদদি শাম্লরন্মী মুংশিননা নং ঐ অমত্তা ওইনা ॥

খোঞ্জেল কয়া তিনশিনখরে অপাম মুংশি তাইবংগী
তিনশিনখরে উচেক ব্লায়াগী শৈহেক পুম্বা অমত্তদা
উরক্লে ব্লাথল অমত্তা য়াওদ্রবা মিংয়েংশিংদ—
তেরা মকোলগুম ভাওরে তাইবং মালেম অপুম্ব।
লাংমৈ থানবীগী মৈজালসে মুখহল্লো মতোমতা
মমি শাম্লকনি লোক্তাক 'য়াইদা ঙা ফাবশিংগী থাউমৈ ॥

পূর্ণিমা

*****

নীংশিংলি ঈরোই চীংগী অপিকপা ঈশিং চাইবী
মিংশেলদগী থোইনা হেন্না লংলবা ফজরবা ঈপোম।
নারক মোংশোংদা ঈরাওখোল কল্লবী ঈচেল
ঙুরুং ঙুরুং ঙংদুনা লৈরে অহিং লাইরেম্বীসি কিবনা।
চীংমাই থুংনা চীংথ্রাও মপাল শাংকদগী ঙাইরিবা
উহল্লুবা লশিংগী পামদা লুপাগী মপাল শাহৌবা॥

অহুঙৈ পূর্ণিমাগী থাবন্দ অরাং নোংচুপ পাংবদা
স্নাহল লোকচাও নিংথিবা চেম্বহৌই লুপাগী মহি
মালেম তম্পাক তম্না নংগী থাংঙমত্রবা নঙান্দ
ইনখৎলকপা শাবী শানৌগী 'য়েল' শৌদোকপগুম
অকনবা ঈরাওখোল ফাহৌই মালেম নিঙ্খাইরক্নি কিবনা
নিত্রামক্লা শাওঙমত্রবা তম্নাগী মুংশিরবা খোঞ্জেল্লা॥

ও! নীংশিংলিদো অহিংদু তাইবং ইচিক হুনখিবা
পোইরৌ পাংকী থম্বাল লৈকা ফম্না শাংখিবা
অহুঙৈ পূক্লিং তুজুংনা অকি-হুরাও লোয়ননা উখিবা
থম্মোই কায়না কপখিবা পূক্লিং পেন্ন মুঙাইখিবা।
হে নিরাশা! মতমসিদা নোক্লকম্নু-কপ্লকম্নুকো নীংশিংলগা
তাইবং থুংশেম শাথেক্ত থোরক্লনি প্রকৃতি য়েংসি তুমিন্না॥

পূর্ণিমা

*****

চিঘান্দদি নোক্লগা মিৎভদি পিগী ঈরা শিম্বনা
য়েংনিংবনা ঙক্লে মতম অহু কুইপ্সবগুম নিংলে
হে শক্লাইদবা শক্লোন পুন্নিবা খুৎশেম হৈরবা।
ঙাম্বোকহনবীরো থম্মোইদা ফাওহনবীরো লংলবা মঙাল
নংগী অমম্বগী মশক ওইবা অকিবা ফংলবা হিংচাবগুম্বা
য়েংঙমদ্রবা মুরুম মুরুম ঙংবা নিল্লবা মুর্ত্তিসি লোয়শিনবীরো ॥

নংবু লাংতক্ল মৈচাক্ল ঙাওরবশিংসে উহনবীরো
য়েংলু য়েংলু থম্মোই খুদিংদ মুর্ত্তি হোংবা
জগৎকী অপাম মুংশি, কলক য়েংথি মচু তরেৎ
মচি অমদা শেমগৎপগী হন্নাও মুঙাই ঈফুৎ
মচি অমদা নিংবা কায়বগী মিৎকী অশাবা পি
ঙাম্বোরক্লো অপিকপা শাগৈগী আশাগী আশা ওইরিবা ॥

লোইরবা।